**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 28.04.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কৌত্রুক্কী বেথেল খুলদা নোংমৈ কাপবগী থৌদোক্তা কাংপোকপী জিলাদগী মীওই অমা শিরে।

২) আউটর মণিপুর লোক সভা সিটকী পোল্লিং ষ্টেসন ৬ তা থা অসিগী ৩০ দা অমুক হন্না ভোৎ থাদনরগনি।

৩) রাজনীতি দলশিংগী লুচিংবা কয়ানা ভোতরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা লৈবাক শিনবা থুংবদা রেল্লি অমসুং রোড সোনচিংবা পাঙথোকপগা লোয়ননা লোক সভা মীখলগী অহুমসুবা তাঙক্কী ভোৎ খোন্বগী থবক কনখৎলক্লি।

৪) মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমদা অখাক অরাউ অমদি নোংলৈ নুংশিৎ য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

অমসুং

৫) ছত্তিসগরদা চত্থরিবা স্বামি বিবেকানন্দ অন্দর ত্বেন্তি মেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপতা মণিপুর সেমি ফাইনেল চংলে।

------

কিল্ড (এল) ঃ ইন্ফাল ৱেষ্ট অমসুং কাংপোকপী জিলা অনিগী লোন্নবা কৌত্রুক্কী বেথেল খুলদা নোংমৈ কাপবগী থৌদোক্তা মীওই অমা শিরে। মীওই অদু কাংপোকপী জিলাগী মনুং চনবা মোলসাং খুলদগীনি হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়- ঙসি অয়ুক পুং ১১ মখায়রোম তাবদা কাংলুপ অনিগী মরক্তা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপবদা মীওই অদু লৈখিদবনি। মসিগী মতাংদা সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

মীখল (এল) ঃ আউটর মণিপুর লোক সভা সিটকী পোল্লিং ষ্টেসন ৬ তা থা অসিগী ৩০ দা অমুক হন্না ভোৎ থাদনরগনি। ভোৎ থাদবা অয়ুক পুং ৭ তগী হৌরগা নুংথিল পুং ৪ ফাওবা চত্থগনি। লোক সভা মীখলগী অনিসুবা তাঙ্কক্তা থা অসিগী ২৬ তা হায়রিবা পোল্লিং ষ্টেসন ৬ অসিদা পাঙথোকখিবা মীখল অদু লৌররোই হায়না ইলেক্সন কম্মিসন্না মফমশিং অদুদা অমুক হন্না ভোৎ থাদনবা খঙহনখিবনি। পোল্লিং ষ্টেসনশিং অদুগী মনুংদা উখ্রুল জিলাগী ৫ অমসুং সেনাপতি জিলাগী ১ য়াওরি।

ডে (এল) ঃ রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগনা শিন্দুনা ইন্তরনেসনেল ডান্স ডেগী পালন থৌরম হয়েং নুংথিল ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মহারাজ চন্দ্রকৃতি ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্কনি। পালন থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা জগোই মখল কয়াসু উৎকনি।

এআর (এল) ঃ মহৈ মশিং তম্বগী কান্নবা অমদি তুংগী কেরিয়রগী মতাংদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা মোটিভেসনেল লেকচর প্রোগ্রাম অমা থা অসিগী ২৬ তা চুরাচান্দপুর জিলাগী হেনকোট ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা য়াওখিবা নহারোলশিংদা আর্মদ ফোর্সেস অমসুং পেরা মিলিটরি ফোর্সতা ফংলিবা তোঙান তোঙানবা কেরিয়র ওপুরচুনিতি কয়াগী মতাংদসু খঙহনখি।

অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ইম্ফালগী চীংমৈরোংদা লৈবা চীংমৈরোং গভর্নমেন্ট অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী মহৈরোইশিং অমসুং ওজাশিংগা ৱারী ৱাতাই শান্নবগী থৌরম অমসু ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

অকোইবগী ফিভম কাইহন্দনা থমবগী পান্দমদা অসাম রাইফলসনা চান্দেল জিলাগী সেলোন ভিলেজদসু উ চারা কয়ামরুম শাখ্রে।

ক্বিজ (এল) ঃ ইরমদমবু খঙমিন্নহৌশি হায়বা হিরমদা মহৈরোইশিংগী ওইবা ক্বিজ কম্পিতিসন অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মণিপুর ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম.এস.এফ)কা মখাদা মসিগী দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিতশিংনা শিন্দুনা তম্পাক্কী জিলা মঙা- থৌবাল, ককচিং, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ক্বিজ কম্পিতিসন অদু পাঙথোকখিবনি। লমদম অসিগী পুৱারী হৌগৎলক্লিবা মহৈরোইশিংদা নিংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা ক্বিজ কম্পিতিসন অদু পাঙথোকপনি হায়রি।

মীখল ঃ মরুওইবা রাজনীতি দলশিংগী লুচিংবা কয়ানা ভোতরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা লৈবাক শিনবা থুংবদা রেল্লি অমসুং রোড সোনচিংবা পাঙথোকপগা লোয়ননা লোক সভা মীখলগী অহুমসুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ১০ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অনিগী লোক সভা সিট ৯৫ গী ভোৎ মে ৭ তা থাদনগনি। তাঙ্কক অসিগীদমক মীরেপ ৩৫১ না মখোয় মখোয়গী মীরেপচেশিং পীশিন্দুনা লম্বা তৌনগদৌরি।

প্রধান মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি করনাটক্কী বেলাগাভিদা বি.জে.পিগী মীরেপশিংগীদমক ভোৎ খোমখি। মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- হৌখিবা চহি তরা অসিদা মহাক্কা সরকারনা লাইরবা লৌমীশিংবু মতেং পাংদুনা লাক্লি। মহাকা হায়- নুপী সেল্ফ হেল্প গ্রুপ কোতি ১০ হেনবদা শেলগী মতেং পীখ্রে অমসুং লৌমীশিংনা লুপা কোতি লিশিং ৭০ রোম তানবা ঙমখ্রে। মহাক্কী সরকারনা অয়াবা পীখ্রবা ভারতিয়া নিয়াই সমহিতানা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী লমদা ফিভম হেন্না ফগৎহল্লগনি।

বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা কাষ্টগঞ্জ জিলাদা পাঙথোকপা রাজনীতিগী রেল্লি অমদা শরুক য়াখি। বিরোধিবু অযোধ্যাদা পাঙথোকখিবা প্রান্ট প্রতিস্থাগী থৌরমদা য়াওখিদে হায়নসু মহাকা মরাল শিখি অমসুং বি.জে.পিনা দলগী মেনিফেষ্টোদা ৱাশকখিবা খুদিংমক থবক্তা মপুং ফানা ওন্থোক্লে হায়খি। শ্রী সাহনা ঙসি মেনপুরি অমসুং ইতাৱাদা

পাঙথোকপা রেল্লিশিংদসু ৱা ঙাংখি। মীখলগা মরী লৈনবা দলগী কারিয়াকার্তাশিংগী কানপুরদা পাঙথোকপা মীতিন অমদসু মহাক য়াওখি।

বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি যোগি অদিত্যানাথসু বারেল্লি জিলাগী বাদায়ুন অমসুং অৱনলাদা পাঙথোকপা রেল্লিশিংদা ৱা ঙাংখি।

বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- বি.জে.পিগী মেনিফেষ্টো অসি অনৌবা, মশা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা অমসুং চাওখৎপা ভারত অমা শেমগৎনবগী গরেন্তি অমনি। অহমেদবাদতা ঙসি পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রাজনাথনা হায়- ২০২৪ গী লোক সভা মীখল অসি লৈবাক অসিদা শক্তি লৈবা অমসুং থাজনিঙাই ওইবা গনতন্ত্রগী থৌওং লৈহন্নবগীদমকি। বি.জে.পি সরকারনা শেঙ্গা থুমজা মুখৎনবা হোৎনবগা লোয়ননা মীওই কোতি ২৫ হেন্না লাইরবা কোকহনখ্রে। লাক্লিবা চহি মঙাদগী তরা ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক লাইরবা কোহন্নবা বি.জে.পি সরকারনা পান্দম থল্লি হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি।

গনতন্ত্রবু থৌওইদে হায়না কংগ্রেসকী মকোক থোংবা লুচিংবা অভিসেক মনু সিংভিনা সরকার পায়রিবা বি.জে.পিদা মরাল শিখ্রে। অহমেদবাদতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা শ্রী সিংভিনা হায়- হন্দক শুরত লোক সভা সিটতা বি.জে.পিনা মায় পাকখিবা অদু গনতন্ত্রগী থৌওংবু থুগাইবনি। মহাকা বি.জে.পিবু শেল, মেছিনরি অমসুং মেন পৱার অরানবা লম্বীদা শিজিন্নে হায়নসু মরাল শিরি। মহাকা হায়- হন্দক্কী মীখল অসিদা বি.জে.পিগী অপুনবা মীরেপ ৪১৭ কী মনুংদা শরুক মরি থোকপগী অমদি ইকুই কুইদ্রিঙৈ মমাংদা অতৈ দলশিংদগী চংলকখিবনি।

হান্নগী কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিসু গুজরাত্তা হয়েংদগী ভোৎ খোন্বা হৌগনি।

সমজাৱাদি পার্তিগী মকোক অখিলেস যাদবসু সমভল জিলাদা দলগী মীরেপশিংগীদমক ভোৎ খোমখি। বি.জে.পিগী মায়োক্তা ৱা ঙাংলদুনা মহাকা হায়- উত্তর প্রদেশকী মীয়ামা লোক সভা মীখলগী অহানবগী তাঙ্কক অনিদা চপ

চাবা পাউখুম পীখ্রে অমসুং মহাক্কী দলগী চুংশিন্নবা কাংবুনা মীয়ামগী মতেং চাউনা ফংখি। মহাকা বারেল্লি জিলাদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদসু ৱা ঙাংখি।

বহুজন সমাজ পার্তিগী মীখলগী কো-ওর্দিনেতর অকাশ আনন্দনা ঙসি নুংথিল সিতাপুর জিলাদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা ৱা ঙাংখি।

রিজাইন ঃ দিল্লি কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট অরবিন্দর সিংহ লভলি ফম থাদোকখ্রে। কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক আর্জ্ন খরগেদা ইবা চেরোল অমদা শ্রী লভলিনা হায়- দিল্লিদা দল অসিনা আম আদমি পার্তিগা চুংশিন্ননবা হোৎনৈ। মহাকা হায়- দিল্লি কংগ্রেসকী কর্ম্মিশিং আম আদমি পার্তিগী অরানবা প্রোপেগন্দাদা পেন্নদ্রে। দিল্লিগী আম আদমি পার্তিগী সাসন মখাদা মমাংগী শিলা দিক্ষিত সরকারনা সাসন তৌরম্বা অদুগী মতুংদা আম আদমি পার্তিনা মীয়ামগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা কা হেন্না শোকচিনহল্লে।

করনাতক ঃ করনাতক্তা মহৌশাগী ওইবা চাউনা অমাং অতা থোকহনবগী তেংবাং ওইনবা শেন্থং পীথবদা পোক্তবী মমাগী থৌওং চথে হায়না কংগ্রেসকী ষ্টেট য়ুনিতনা কেন্দ্র সরকারবু মরাল শিখ্রে।

বেঙ্গলুরুদা ঙসি চথখিবা ধারানা অমদা কংগ্রেসকী ষ্টেট প্রসিদেন্ট দি.কে. শিবকুমারনা হায়- ঈকংগী অৱাবা মায়োকরবা লৌমীশিংগীদমক রাজ্য অদুনা তেংবাংগী শেন্থং পীবীনবা হায়জখি অমসুং মসি রাজ্য অদুগী লাইরবশিংদা পীবা শেনফম অমা নত্তে। এম.জি. নরেগাগী মখাদা পীরিবা খুৎশুমলগী চাং হেনগৎহনবীনবসু হায়জখি। অদুবু মদু কেন্দ্র সরকারনা য়াখিদে। মহাকা হায়- নেসনেল দিজাষ্টর রিলিফ ফন্দদগী লুপা কোতি লিশিং ৩,৪৯৮ কেন্দ্র সরকারনা পীরক্লিবা অদু রাজ্য অদুগী ঈকংগী অৱাবা নংলবা লৌমীশিংদা পীবা কোন্নদে।

সিপিআই ঃ তেলঙ্গনাদা সি.পি.আই অমসুং সি.পি.আই.এমনা রাজ্য অদুদা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা বি.জে.পিবু মায়থিবা পীনবগীদমক

কংগ্রেসতা শৌগৎকনি হায়রি। সি.পি.আই.এমগী লুচিংবশিংনা পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট অমসুং মুখ্য মন্ত্রি রেবন্ট রেদ্দিগা উন্নদুনা ৱাফম অসি খঙহনখ্রে। ভোনগির নত্তনা অতৈ মফমশিংদা দল অসিনা মখোয়গী মীরেপ অমত্তা থাগৎত্রে। উপ-মুখ্য মন্ত্রি ভাতি বিক্রমারাকনসু সি.পি.আইগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা কংগ্রেসতা শৌগৎনবা হায়খ্রে। সি.পি.আইনসু বি.জে.পিবু মায়থিবা পীনবগীদমক কংগ্রেসকী মীরেপশিংদা শৌগৎকনি হায়রি।

নাগালেন্দ ঃ নাগালেন্দগী ম্যুনিসিপাল অমসুং টাউন কাউন্সিল ৩৯ গী অরবান লোকেল বোদিশিংগী মীখল জ়ন ২৬ তা পাঙথোক্লগনি। ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখিবা রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফমদা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। মীখল অসিদা ইহান হানবা ওইনা নুপীশিংগী চাদা ৩৩ রিজার্ভেসন তৌগনি। ভোৎ মশিং জ়ন ২৯ দা থীগনি। জ়ন ৭ তগী ১১ ফাওবদা মীরেপচে পীশিনবা য়াগনি অদ্গা জ়ন ২০ ফাওবদা মীরেপচে লৌথোকপা য়াগনি। মীরেপচেশিংগী স্ক্রুতিনি জ়ন ১৩ দা পাঙথোক্কনি।

মেৎ ঃ মেৎ দিপার্টমেন্টনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমদা অখাক অরাউ অমদি নোংলৈ নুংশিৎ য়াওনা নোং চুরবা য়াই। দিপার্টমেন্ট অসিগী চেরোল অমদা নোংচুপ বঙ্গলাগী গঙ্গা মপালগী তম্পাক্কী শরুক অমসুং উরিষাদা অশাবা নুংশিৎ শিৎলকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবদগী রেড এলার্ট লাউথোকখ্রে। নোংচুপ থংবা অসাম, মেঘালয় অমসুং ত্রিপুরাদসু হয়েং ফাওবদা নুংশিৎতা ঈশিং মনিলগী চাং ৱাংনা য়াওবগা লোয়ননা কা হেন্না শাগনি হায়নসু চেরোল অদুনা হায়রি।

কাশ্মীর ঃ জম্মু কাশ্মীরগী উধমপুর জিলাদা ঙসি তেরোরিষ্টশিংগা নোংমৈ কাপবগী থৌদোক্তা ভিলেজ দিফেন্স গার্দ অমা শিরে।

অকাশবানি জম্মু পাউমীনা হায়- উধমপুর জিলাগী বসন্তগর এরিয়াদা ঙসি অয়ুক পুলিস অমসুং ভিলেজ দিফেন্স গার্দকী অপুনবা কাংবু অমগা

তেরোরিষ্টশিংগা নোংমৈ কাপবগী থৌদোক্তা মহামদ সরিফ কৌবা মীওই অদু লৈখিদবনি। থৌদোক অদুগী তুংদা উধমপুরদগী সেক্যুরিতিগী মীওইশিং মফমদুদা থোমজিনখি অমসুং মফম অদু কোইশিন্দুনা থি হুম্বগী থবক চথখি। তেরোরিষ্টশিং অদু হন্দক্তা পাকিস্তানলোমদগী নারোনদা চংশিল্লকপশিং ওইরমগনি হায়না থাজনরি।

ইরাক ঃ ইরাক্কী পার্লিয়ামেন্টনা নুপা মশেল নত্রগা নুপী মশেল লৌন-লৈনবা আইন্না য়াদবা থৌওংনি হায়না মসিগী মতাংদা আইন অমা পাস তৌখ্রে। আইনগী অসিগী মখাদা নুপা মশেল নত্রগা নুপী মশেল য়ুম্বানবগী মরী লৈনরম্লবদি য়াম্লবদা চহি ১৫ জেলদা থম্বা অমসুং অসিগুম্বা থৌওংবু শৌগৎপা মীওইশিং য়ামদ্রবদা চহি ৭ তি শুকশোই শোইদনা জেলদা থমগনি। লৈবাক অসিদা মীওই অমনা মহাক্কী বাইওলোজিকেল জেন্দর হোংদোক্লবদি চহি ১ দগী ৩ ফাওবা জেলদা থম্বগী ৱাফমসু আইন অদুদা পল্লি।

--শান্নবগী পাউদা--

ফুটবোল (এল) ঃ মণিপুরগী চহি ২০ মখাগী ফুটবোল টিম- স্বামি বিবেকানন্দ অন্দর ত্বেন্তি মেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী সেমি ফাইনেল চংখ্রে। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মখাদা ছত্তিসগরগা নরায়নপুরদা চথরিবা তুরনামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদা মণিপুরনা তেলঙ্গনাবু পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চংখিবনি।

ফুটবোল (এল) ঃ লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা খেলো ইন্দিয়া অন্দর সভেন্তিন গার্লস ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা আই.সি.এস.এ ইরেংবম অমসুং য়ুথ ৱেলফ্যার ক্লব মায় পাকখ্রে। আই.সি.এস.এ ইরেংবমনা খুমন এফ.এবু পাঞ্জল ৩-০ দা অমসুং য়ুথ ৱেলফ্যার ক্লবনা এফ.সি ইম্ফাল পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল) ঃ   তৌবুংখোক্কী পাময়াল লম্পাক্তা চথরিবা ৫ শুবা শঙাই ত্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ গী ঙসি ক্বাটর মেটচশিংদা ই.এম.ভি.এফ.সিনা কৈশামথোং এফ.সিবু পেনালতি সুট আউটতা পাঞ্জল ৪-২ দা অমসুং ভি.এস.এ.আইনা এন.কে.ভি.এফ.সিবু পেনালতি সুট আউটতা পাঞ্জল ৬-৪ দা থোইদুনা তুরনামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল চংবা ঙমখ্রে।

ফুটবোল (এল) ঃ   ৫ শুবা ওইনাম চার্লি মেমোরিয়েল ওপন সোক্কর তুরনামেন্ট ঙসিদগী শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেল লাইরেম্বী লম্পাক্তা হৌখ্রে। টিম ৪০ রোমা শরুক য়াদুনা ঙসিদগী হৌরিবা তুরনামেন্ট অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎকী মেটচতা বোলেরো এফ.সিনা জোন এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

আরচরি ঃ   সংহাইদা চথরিবা আরচরি ৱার্ল্ড কপতা ভারতনা সনাগী ৫, লুপাগী ২ অমসুং শেঞ্জেংগী ১ য়াওনা পুন্না তকমান ৮ ফংবা ঙমখ্রে। রিকপস মেন্স টিম ইভেন্টতা ভারতকী ত্রাইও- ধিরাজ বোমাদেবরা, তরুনদিপ রাই অমসুং প্রবিন যাদবনা খা কোরিয়াগী ওলিম্পিক চেম্পিয়নবু মায়থিবা পীদুনা মঙাসুবা সনাগী তকমান লৌখি।

বেদমিন্টন ঃ   চাইনাগী চেংদুদা চথরিবা উবর কপ বেদমিন্টন তুরনামেন্টতা সিঙ্গাপুরবু ৪-১ থোইদুনা ভারতকী নুপীগী টিম ক্বাটর ফাইনেল চংখ্রে। তুরনামেন্ট অসিদা ভারতকী নুপীগী টিম গ্রুপ-এদা চাইনাগী হেক মথংদা অনিসুবদা লৈরি। টিম অনি অসিগী অরোইবা গ্রুপ মেটচ লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নগনি। তুরনামেন্ট অসিগী ভারতকী নুপীগী টিমদা মণিপুরগী প্রিয়া কোঞ্জেংবমসু য়াওরি।

মরক অসিদা, থোমাস কপ কম্পিতিসনদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ভারতকা ইংলেন্দগা হয়েং মখোয়গী গ্রুপ-সি টাইগী অনিসুবা মেটচ শান্নগনি। ওপন্নিং টাইদা ভারতনা থাইলেন্দবু ৪-১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

ক্রিকেট ঃ আই.পি.এল ক্রিকেটকা ঙসিগী অনিসুবা মেটচ হৌজিক সন রাইজরস হায়দ্রবাদকা চেন্নাই সুপর কিংসকা চেন্নাইগী এম.এ. চিদম্বরম ষ্টেদিয়মদা শান্নরি।

ঙসিগী অহানবা মেটচতা গুজরাট তাইতান্সকা রোয়েল চেল্লেঞ্জরস বেঙ্গলুরুগা অহমেদবাদকী নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা শান্নখি।

-------